# বি জে পিনা আর টি আই এক্ট শেমদোক্লবা হোৎনরিবদু কান্নরোইদবা অমনি : রাহুল



ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৯ (এজেন্সী):
ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) লৈঙাক্লা রাইট টু ইনফোর্মেসন (আর টি আই) এক্ট শেমদোক্লবা হোৎনরিবা অদুবু কান্নফম খঙলোইদবা অমনি হায়না কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা ঙসি অকনবা এটেক চখ্খ্রে।

লৈঙাক অসিনা পুথোক্লবা হোৎনরিবা প্রপোজ এমেন্দমেন্ট বিল অদু পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর খুদিংমক্তা য়ৌহন্দুনা মায় পাক্লনবা অমদি বিল অদুবু য়াবীনবা হোৎনরি। ইন্দিয়াদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্লা অচুম্বা হায়বদু করিনো খঙই। অদুম ওইনমক বি জে পিনা অচুম্বা লোৎশিন্নবা হোৎনরি। মখোয়না থাজে মদুদি, অচুম্বা হায়বদু মীয়াম খঙহন্দনা লোৎশিনগদবনি। মীয়ামগী পাঙ্গলগী মতাংদা মখোয়না করিগুম্বা ৱাহং অমত্তা হংদ্রি। আর টি আই এক্ট শেমদোক্লবা হোৎনরিবা অদু করিসু কান্নরোইদবনি হায়না ঙসি লুচিংবা অদুনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক অসিগী মীয়াম্না অচুম্বা খঙনবা হোৎনবগী চপ চাবা হক লৈ। অদুম ওইনমক বি জে পিনা মদু খঙহন্দনবা অমদি মীয়ামদগী অচুম্বশিং অদু লোৎশিন্নবা হোৎনরি। মদুনা মরম ওইরগা মখোয়না আর টি আই এক্ট শেমদোক্লবা হোৎনরিবনি। থৌশিল অদু করিসু কান্নরোইদবা অমনি। ইনি দয়াগী মীপুম খুদিংমক্লা মখোয়গী মায়োক্তা লাক্কনি। হৌজিক লৈঙাক অসিনা এক্ট অদু শেমদোক শেমজিন তৌননবা থৌশিল পায়খৎলি। মদুগী মায়োক্তা লৈবাক অসিগী মীয়াম্না লৈগদবনি। লৈঙাক অসিনা ঙরাং আর টি আই এক্ট শেমদোক্লবা ৱাফম খন্নরি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

এক্ট অদু কুমজা ২০০৫ দা শেমখিবনি। চীফ ইনফোর্মেসন কম্মিস্নার অমসুং ইনফোর্মেসন কম্মিস্নারগী থবক থৌরম অমসুং সেলরিগী মরমদা রুল অদু শেমখিবনি। আর টি আই এমেন্দমেন্ট বিল ২০১৮ রাজ্য সভাদা খন্ননবা পুখৎলক্কনি। চৎলিবা নোংজু মীফম অসিদা বিল অদু পাস তৌননবা হোৎনগনি হায়বগী ৱাফম ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেট মিনিষ্টর (পার্সনেল) জিতেন্দ্র সিংহনা ঙরাং লোক সভাদা অইবা চেরোল পীদুনা ফোঙদোকখিবদা, বিল অদু রাজ্য সভাদা পুথোক্তুনা খন্নরবা মতুং চৎলিবা মীফম অসিগী মনুংদা পাস তৌগনি হায়খি। হৌজিক লোক সভাদা বিল অদু পাস তৌবা য়াবগী ওইথোকপা লৈরবনি হায়রি।

# মমাঙগী লৈঙাক, কোংগ্রেসকী হান্নগী প্রসিদেন্টনা ৱাশকখিবশিং ঙাকপা ঙমখিদে



ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৯ (এজেন্সী):
প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মমাঙগী লৈঙাকপু মরাল শিরদুনা হায়, লৈঙাক অদুনা কুমজা ২০০৯ ফাওবদা য়ুমথোং খুদিংমক্তা মৈ ফংহনগনি হায়না ৱাশকখিবনি।

মরুওইনা কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধীনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম ঙাকপা ঙমদ্রে। মখোয়না ৱাশকখিবা খুদিংমক মপুং ফানা পায়খৎপা ঙমদবদা নত্তনা হিরম খুদিংমক্তা ফেল ওইখি। মতম অদুগী কোংগ্রেস লুচিংবী সোনিয়া গান্ধীনা কুমজা ২০০৯ ফাওবদা লৈবাক অসিগী য়ুমথোং খুদিংমক্তা মৈ ফংহনগনি হায়না ৱাশকখিবনি। অদুবু মখোয়না ৱাশকখিবা অদু কুমজা ২০০৯ দি লায়রদনা কুমজা ২০১১ ফাওবদা ঙাকপা ঙমখিদে হায়না ঙসি প্রধান মন্ত্রি সহাজ বিজলি হরঘর যোজনাগী খুদোংচাবা ফংলবা মীওইশিংগা ৱারী শানবগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মখা তানা হায়, মমাঙগী লৈঙাক্লা পাঙথোক্কনি হায়না ৱাশকখিবা থবক থৌরমশিং মপুং ফানা পাঙথোকপা ঙমখিদবা অদু মখোয়দা থবক তৌবা ঙম্বা সেরিয়স ওইবা লুচিংবা লৈতবননি। হৌজিক ওপোজিসন ওইনা লৈরবা পার্টি অদুনা স্কিম অমসুং প্রোগ্রামশিং চৎনহনবদা অশোয়বা কয়া পুথোক্লবা হোৎনরি। হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিনা মীয়ামগীদমক য়াইফ-থৌরাং কয়া পায়খৎতুনা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিং চৎনহন্নবা হোৎনরি। চৎলিবা চহী অসিগী এপ্রিল ২৮ দা লৈঙাক অসিনা ইন্দিয়াগী খুঙ্গং খুদিংমক্তা লৈবা ইমুংশিংদা ইলেক্ট্রিক ফংহনবা ঙমখ্রে। মদু পুৱারী ওইরগদবা নুমীৎ অমনি। নীং-খা তম্বা চহী ৭০ গী মতুংদা লৈঙাক অসিনা অচৌবা থৌশিল অদু মায় পাকপা পাঙথোকপা ঙমখি। মমাঙ চহীগী সেপ্টেম্বর থাদা সুভগ্যা স্কিমগী মখাদা লৈঙাক অসিনা লুপা ক্রোর ৩.৬০ কায়থোক্তুনা য়ুমথোঙ খুদিংমক্তা ইলেক্ট্রিক ফংহন্নবা থৌশিল পায়খৎপা হৌখি।

কুমজা ২০১৯ গী মার্চ ৩১ দদি স্কিম অদু মপুং ফানা মায় পাক্লগনি। চৎলিবা চহী অসিগী দিসেম্বর ৩১ ফাওবা সুভগ্যা থৌশিলগী মখাদা ইমুং খুদিংমক্তা তঙাইফদবা অমদি চপ চাবা ইনর্জি ফংহন্নবা হোৎনগনি। য়ুমথোঙ খুদিংমক্তদি মৈ ফংহনবা ঙমখ্রে। অদুম ওইনমক মৈগী অৱাৎপদি লৈরি। মদু কোকহন্নবা হোৎনরি হায়খি।

# মহারাষ্ট্রাদা লৌমীশিংনা শঙ্গোম হৈদোক্তুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে



মুম্বাই, জুলাই ১৯ (এজেন্সী):
মহারাষ্ট্রাগী ষন লোইবা লৌমীশিংনা শঙ্গোমগী মমল হেনগৎহন্নবা অমসুং শঙ্গোম লিটর অমদা লুপা ৫গী সবসিদি পীননবা চঙশিল্লকখিবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ঙসি স্বাভিমানে সেটকারি সঙ্ঘথনগী ৱার্করশিংনা লম্বীদা শঙ্গোম হৈদোক্তুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

চপ মান্নবা খোঙজংদা সঙ্ঘথনগী থৌমীশিংনা নোংমাইজিং নুমীৎতা ৱাদাদগী নাগপুর তম্না শঙ্গোম পুবা টেঙ্কর অমা অমাঙ অতা থোকহনখিবসু লৈখ্রে। নাগপুরদা ঙসি ষ্টেট লৈঙাক অমসুং পুলিসশিংনা লৌমীশিংগ খোঙজং অদু লাকশিন্নবা হোৎনখি। খোঙজং অদুগা মরী লৈননা মীওই কয়া পুলিসনা ঙরাংদগী হৌনা ফাজিনখিবা লৈখ্রে। সঙ্ঘথনগী লুচিংবা আর সেটিনা হায়, মখোয়না খোঙজং অদু ঈং-চিক্লা পাঙথোকপা পাম্মী। খোঙজং অদুবু লান্না উবীদনবসু ফোঙদোরক্লি।

লৈবাকপোকপা নুমীৎতা য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর পিয়ুস গোয়েল অমসুং য়ুনিয়ন ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর নিতিন গাদকারিনা শঙ্গোম পুথোকপা লৌমীশিংদা চাদা ১০ গী ইন্সেন্টিব পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রবা মতুং খোঙজং অদু মখা তানা চঙশিল্লকখিবনি। গোয়েলনা হায়, লৈঙাক অসিনা শঙ্গোম পুথোকপা লৌমীশিংদা ইন্সেন্টিব ওইনা চাদা লুপা ১০ গী ইন্সেন্টিব পীননবা ৱারেপ লৌরে। শঙ্গোম, শঙ্গোম পাউদর অমসুং শঙ্গোমনা শেম্বা পোথোকশিং এক্সপোর্ট তৌবদা লৈঙাক্লা চাদা ১০ গী ইন্সেন্টিব পীগনি হায়খি।

# উত্তরখন্দগী অরুবা লোক্লুং অমদা বস অমা তাশিনখিবদা মীওই ১৪ শিরে, ১৭ না অশোক-অপন নংখ্রে




টেহরি, জুলাই ১৯ (এজেন্সী):
উত্তরখন্দগী টেহরি দিষ্ট্রিক্টকী চম্বা টাউনদগী কিলোমিটর ১৫ রোম লাপ্না লৈবা মফম অমগী অরুবা লোক্লুংদা ষ্টেটনা রন তৌবা বস অমা তানশিনখিবদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৪ শিরে। অদুগা মীওই ১৭ না অশোক অপন নংখ্রে হায়না সিনিয়র ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

দিষ্ট্রিক্ট মজিষ্ট্রেট সোনিকানা ফোঙদদোরকখিবদা, খুদোংথিবা থৌদোক অদু ষ্টেট অদুগী কোনুং দেহারাদুন্দগী কিলোমিটর ৯০ রোম চৎলগা লৈবা রিশিকেস-চম্বা-গঙ্গোত্রি হায়ৱেগী কিরগানি মনাক্তা ঙসি অয়ুক পুং ৮ লোম তাবদা থোকখিবনি। উত্তরখন্দ ষ্টেট রোদ ট্রান্সপোর্টকী বস অদু মিটর ২৫০ রোম লুবা লোক্লুং অমদা ওন্থখিবদা মীওই ১৪ শিখ্রে। অদুগা ১৭ না অশোক অপন নংখ্রে। শোক্লবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা কা হেন্না ফীভম লুবা মীওই তরুক্তি মখা তাবা লায়েং চখনবগীদমক হেলিকোপ্টরনা এইমস হোস্পিটালদা পুখ্রে। অদুগা লেমহৌরিবা ফীভম লুদবা অশোকপশিং অদুনা টেহরি দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অমসুং মসিহা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নরি। চম্বাগী মনুং চনবা হোস্পিটালশিং অদুদা মীওইশিং অদু লায়কন্নবগা লোয়ননা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা য়েংশিনখ্রে।

ষ্টেট অদুগী চীফ মিনিষ্টর ট্রিভেন্দ্র সিংহ রাওটনা খুদোংথিবা থৌদোক্তা মীওই কয়াগী পুন্সি মাংখিবা অদুবু থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখ্রে। লোয়ননা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা কম্পেন্সেসন ওইনা লুপা লাখ ২/২ পীরগনি। অদুগা শোক্লবশিংদনা লুপা লিশিং ৫০ পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

শোক্লবা মীওই ১৭ কী মনুংদা তরুক ফীভম লুবনা রিশিকেসতা লৈবা এইমসতা হোস্পিটালদা পুদুনা লায়কন্নখ্রে। লোকেল পুলিস অমসুং মরী লৈনবা ওথোরিটিগী টিম অমা থৌদোক থোকফমদা চঙশিন্দুনা য়েংশিনখ্রে। শোক্লবা মীওই খুদিংমক কনবা ঙমখ্রে। পুলিস অমসুং মী কনবা কাঙবুনা অরুবা লোক্লুংদা ওন্থখ্রবা বস অদুগী মনুংদগী অশিবা হকচাং অমসুং শোক্লবশিং লৌথোক্লবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা মায়োক্লখি হায়রি।

# খুৎ থোক্লবদা সিক্যুরিটি ফোর্সনা মাওইষ্ট তরেৎ হাৎখ্রে



রাইপুর, জুলাই ১৯ (এজেন্সী):
লালহৌবগী ঈরাংনা শোকহল্লবা ছটিসঘরগী বিজাপুর দিষ্ট্রিক্টতা ঙসি অকনবা খুৎ থোক্লবদা সিক্যুরিটি ফোর্সনা নুপী অহুম য়াওনা মাওইষ্ট তরেৎ হাৎপা ঙমখ্রে হায়না পুলিসকী পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

দেপ্যুটি ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস সুন্দরাজনা ফোঙদোরকখিবদা, খুৎ থোক্লবগী থৌদোক অদু বিজাপুর অমসুং দন্তেৱারা দিষ্ট্রিক্টকী লোন্নবা টিমিনার অমসুং পুস্নার খুঙ্গংগী অশুকপা উমংদা ঙসি অয়ুক পুং ৬ লোম তাবদা থোকখিবনি। দিষ্ট্রিক্ট রিজার্ব গার্দ অমসুং স্পেসল টাস্ক ফোর্সকী অপূনবা খুৎপু অমনা উমং অদুদা এন্টি মাওইষ্ট ওপরেসন চথবদা চাউনা খুৎ থোক্ল রকখি। অকক্লবা পাউ অমা ফংলবা মতুং সিক্যুরিটি ফোর্সনা উমং অদুদা চঙশিন্দুনা ওপরেসন চথখি। টিমিনার অমসুং পুস্নার খুঙ্গংগা নক্লনা লৈবা উমং অদু সিক্যুরিটি ফোর্সনা কোয়শিন্দুনা থমখি। হায়রিবা মফম অদু ষ্টেট অদুগী কোনুং রাইপুরদগী কিলোমিটর ৪৫০ রোম লাপ্না লৈবনি। ওপরেসন চথবা হৌরকপদা মাওইষ্টশিংনা নোংমৈ কাপথোরকপদগী নাকল অনীগী মরক্তা চাউনা খুৎ থোক্লখি। মদুগী মতুং থি-হুম্বগী থবক চথবদা নুপী অহুম য়াওনা মাওইষ্ট তরেৎ অমসুং খুৎলায় কয়া ফংবা ঙমখি হায়রি।

# বিহারদা কুমগী নোং মরাং কায়না চুননবা হঙোই লিশিং কয়া কৎতুনা নোংগী লাই খুরুমখ্রে



পত্না, জুলাই ১৯ (এজেন্সী):
বিহারদা নোং লিক্লা চুবগী খুদোংচাদবা কোকহন্নবগী পান্দমদা সুপরষ্টিসন্দা য়ুম্ফম ওইদুনা মীওই কয়ানা হঙোই ফাদুনা নোংগী লাইদা কৎখ্রে।

মফম কয়াদা মীয়াম্না নোং মরাং কায়না চুননবগী লাইদা হায়জবা থৌশিল অমা ওইনা হঙোই লুহোংবীবগী থৌওংশিংসু চথখি। চৎলিবা নোংজু থা অসিদা বিহারগী ওইনদি নোং চুবগী চাং চাদা ৪২ হন্থরি হায়রি। নোংগী অৱাৎপা লৈরবা বিহারগী মগধা, গয়া, জহনবাদ, ঔরঙ্গবাদ, নৱারা অমসুং আরৱালদা নোং মরাং কায়না চুননবগীদমক বেংকুটনি হায়না খঙনবা হঙোইবু সেক্রিফাইস তৌবগী থৌওংশিং চথখি। মেট দিপার্টমেন্টনা বিহারদা নোং ৱাৎনা চুগনি হায়না মাঙজৌননা ফোঙদোকখিবা মতুং লৌমী কয়ানা পূক্নিং ৱাবগা লোয়ননা লাইদা থৌনিবগী থৌরমশিং পাঙথোক্লখিবনি হায়রি।

চিরিয়াৱান খুঙ্গংদা লৈবা বালিরাম কৌবা খুঞ্জা অমনা ফোঙদোরকখিবদা, বেংকুটনি হায়বা লাই খুরুম্বগী মওং অদু লিরদা মতমদগী লমদম অদুদা চৎনরক্লি। খুঙ্গং অদুগী নুপীশিংনা লাইগী থৌরম অদু পাঙথোক্লবগীদমক মফম কয়াদা লৈবা খুঙ্গং অদুগী গুহাশিংদগী ঈশিং লৌরুদুনা অখন্ননা শেল্লবা মফম অমদা ঈশিং অদু হৈজিন্দুনা থল্লবগী মতুংদা অহিংবা হঙোই ফাদুনা তৌথোক্লবা মফম অমদা লৈরিবা ঈশিং অদুদা থম্মী। মদুগী মতুং হঙোইশিং অদু লাইদা কৎপা ওইনা হাৎলি হায়রি।

থৌওংশিং অদু লাইনা লমদম অদুদা নোং মরাং কায়না চুহনবীনবা অমদি পেনবীনবা পাঙথোকপা অমনি। বিহারগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা অদুগুম্বা লাই থাজবগী থৌওংশিং অদু চহী কয়াগী মমাঙদগী চথদুনা লাক্লি হায়রি।

# ঝরখন্দদা নেক্সেলশিংনা স্কুল অমা অমাঙ-অতা থোকহল্লম্লে

লাতেহর, জুলাই ১৯ (এজেন্সী):
ঝরখন্দগী লাতেহরদা ঙসি নেক্সেলশিংনা লৈঙাক্কী স্কুল অমদা চঙশিল্লক্তুনা চাউনা অমাঙ-অতা থোকহল্লম্লে। নেক্সেলশিং অদুনা স্কুল অদুগী বিল্ডিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর কয়া অমাঙ-অতা থোকহল্লমখি।

লোন থিংখ্রবা নেক্সেলশিং অদুনা স্কুল অদু সিক্যুরিটিগী পার্সনেলশিংগী লৈফম ওন্থোক্লে হায়দুনা মরাল শিদুনা য়ৈখাই থিনগাইবগী থৌওং অদু চথরমখিবনি। স্কুল অদুগী মহৈরোয়শিংনা ঙসি ফোঙদোকখিবদা, মশক খঙদবশিংনা য়ৈখাই থিনগাইবগী থৌওং চথরম্বা অদুগী অয়াম্বা শরুক মাঙ-তাকখ্রে। হৌজিক স্কুল অদুগী কা অহুমখক্তমক লেমহৌরে হায়রি।

অহানবা ওইনা ফংখিবা পাউদদি নেক্সেলশিংনা য়ৈখাই থিনগাইবগী চথরল্লবা মতুং স্কুল অদুগী কা তরুক লেমহৌখি হায়না খন্নখিবনি। অদুম ওইনমক মখা তানা য়েংশিনবদা অকায় অতোয় নংদনা লৈহৌরিবা কা অদু অহুমখক্তমক ওইরমখি হায়রি।

স্কুল অদুদা অমাঙ-অতা থোকহল্লম্লবা মতুং তোঙান তোঙানবা ক্লাসকী মহৈরোয়শিং কা অমদা পুন্না ফমদুনা মহৈ তম্লি। ক্লাস ৱান, ক্লাস টু অমসুং ক্লাস সিক্সকী মহৈরোয়শিং কা লৈতবনা শুপ্নতংগী কা অমগী মনুংদা পুন্না মহৈ তম্লি হায়রি। চহী খরগী মমাঙদা নেক্সেলশিংনা লাতেহরগী মনুং চনবা সরানদাগ খুঙ্গংদা লৈবা হেল্থ সেন্টর অমা থুগায়রম্বা লৈখ্রে। হেল্থ সেন্টর থুগায়রম্বা অদুনা মরম ওইরগা খুঙ্গং অদুদা লৈবা মীওই লিশিং ৫ হেনবশিং অনা-লায়েংগী লমদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োক্লরি। খুঙ্গং অদুগী মীওইশিংনা মশা ঙল্লক্তবা মতমদা লায়েংনবগীদমক মনাক নকপা খুঙ্গংগী হেল্থ সেন্টরশিংদা চৎপা তারি। খুঙ্গং অমদা চৎপা হায়বদু য়ামদ্রবদা কিলোমিটর ২০ দগী ২৫ ফাওবা লাপকনি হায়রি।

# সোসল মীদিয়া লাকশিন্নবা লৈঙাক্লা থৌশিল পায়খৎনবা শেম-শারি : ভেংকয়া নাইদু



ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৯ (এজেন্সী):
সোসল মীদিয়াবু লান্না শীজিন্নরকপদা হকচিন্না লৌবা ফোঙদোক্লদুনা রাজ্য সভাগী চ্যেরমেন এম ভেংকয়া নাইদুনা হায়, লৈঙাক অসিনা সোসল মীদিয়া লান্না শীজিন্নরকপশিং লাকশিন্নবা লৈবাক্কী ওইবা পোলিসী শেম্লগনি। তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিং অমসুং ষ্টেক হোল্ডরশিংগা খন্নরবা মতুং হৌজিক সোসল মীদিয়াদা শিংনরক্লিবশিং অদু লাকশিন্নবা থৌশিল পুথোক্লগনি।

হৌজিক লৈঙাক অসিনা ষ্টেক হোল্ডরশিং, পোলিটিকেল পার্টিশিংগা উনদুনা হিরম অসিগী মতাংদা খন্ননবা থবক পায়খৎলি। মদুগী মতুং লৈবাক্কী ওইবা পোলিসী অমা শেমগনি। অদুগুম্বা থৌশিল অদু মালেমগী ওইবা অখন্নবা থৌশিল অমা শোয়দনা ওইগনি হায়রি।

ঙসি রাজ্য সভাগী জিরো অৱারগী মতমদা লুচিংবা অদুনা হায়, সোসল মীদিয়াবু লান্না শীজিন্নবা হায়বসি খ্বাইদগী সেন্সিটিব ওইবা অমসুং সেরিয়স ওইবা ইস্যু অমনি। ফীভম অসিদা নাকল নাম্মতগী ওইবা ৱারেপ লৌবা ঙমদে। অপূনবা ওইনা থবক তৌমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈগনি। মদুতদা থবক ওইনা ওন্থোকপা ঙমগনি। লৈঙাক অসিনা করিগুম্বা অমা তৌবা মতমদা য়েৎলকপা কয়া লৈগনি। ওপোজিসন পার্টিশিংনসু হৌজিক লৈবাক অসিদা থোক্লিবা, সোসল মীদিয়াবু লান্না শীজিন্নরকপগী ফীভম অসিনা করি ওইহল্লিবগে হায়বদু খঙগদবনি। হিরম অসিগী মতাংদা হাউসনা অখন্ননা খন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। চ্যেরমেননা য়ুনিয়ন লো মিনিষ্টর রবি শঙ্করদা মরী লৈনবা পোলিটিকেল পার্টি অমসুং ষ্টেক হোল্ডরশিংগা খন্ননবা ফীভম অমা শেমগৎনবসু খঙহনখ্রে হায়রি।

# সবরিমালা লাইশঙদা নুপীশিংনা নুমীৎ ৪১ নি চুপ্পা লাই খুরুম্বগী অৱাংবা থাক্কী থৌরম পাঙথোকপা ওইথোক্লোই

ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৯ (এজেন্সী):
সবরিমালা টেম্পল বোর্দনা ঙসি সুপ্রীম কোর্টতা ফোঙদোকখিবদা, অয়াপা লাইশঙদা চঙবগী কাঙলুপ জাৎ নৎত্রগা ধর্ম্ম হায়বা লৈতে। অদুম ওইনমক নুপীশিংবু অথিংবা থম্বগী মরমদি নুমীৎ ৪১ নি চুপ্পা পাঙথোক্কদবা অৱাংবা থাক্কী লাই খুরুম্বগী থৌরম অদুদা মখোয় শরুক য়াবা ঙম্লোই হায়খি।




সুপ্রীম কোর্টনা সবরিমালা লাইশঙ অমসুং অয়াপাদা নুপীশিং চঙবা য়াহনগদবনি হায়না ৱায়েল পীখি। লাইশঙদা নুপী চঙবা য়াহন্দবা হায়বদু লৈবাক অসিগী কনষ্টিট্যুসনগী ৱাংমদনি হায়রি।

অয়াপা হায়না খঙনবা সবরিমালাগী লাইশঙ অদুদা চহী ১০ দগী ৫০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপীশিং চঙবদা অথিংবা থল্লে। মরমদি মখোয় থাগী খোংকাপ মতম লৈবনা নুমীৎ ৪১ পাঙথোক্কদবা থৌরম অদুদা য়াওবগী অয়াবা পীদে। চহী ১০ গী মখাদা অমসুং চহী ৫০ গী মথক্তা লৈবা নুপীশিংদি লাইশঙ অদুদা চঙবা য়াই। অদুম ওইনমক মখোয়না লাইশঙ অদুদা চঙবা তারবদি তঙাইফদনা চহী উৎপা সার্টিফিকেট পুথোকপা তঙাইফদবা অমা ওইরি হায়রি।

সিনিয়র লোয়র অভিসেক মানু সিংভিনা হায়, লাইশঙ অদুদা মুস্লিম নৎত্রগা খৃষ্টিয়ান নৎত্রগা কাঙলুপ খুদিংগী মীওই চঙবা য়াহনবা চৎনবী অদুবুদি ঈকায় খুম্নে। অদুগুম্বা ৱাখল্লোন অদু অতোপ্পা লাইশঙশিংদদি লৈতে। লাইশঙ অদুগী বোর্দনা মখোয়গী ওইবা থাজবা অমগী মখাদা থৌওংশিং অদু চথবনি হায়রি।

লৈবাক অসিদা অয়াপা লাইশঙ কয়া লৈ। অদুম ওইনমক সবরিমালা হায়না খঙনবা পুৱারীগা শাগোন্নরবা লাইশঙ অদুগী শরুক অমা ওইরিবা অয়াপাদা অথিংবা অদু লৈবনি হায়না কোর্টতা ফোঙদোকখ্রে।

# জাকির মুসানা পুলিস পার্সনেলশিংদা এটেক চথনবা থৌরাং তৌরি

জম্মু, জুলাই ১৯ (এজেন্সী):
টেররিষ্ট জাকির মুসা অকা জাকির অসিদ বদনা পঞ্জাব, জম্মু অমসুং কাশ্মিরদা মথৌ তৌরিবা পুলিস পার্সনেলশিংদা ফিদায়েন এটেক চথনবা থৌরাং তৌরি হায়না ইন্টিলিজেন্স এজেন্সী অমনা ৱার্নিং তৌখ্রে।

জাকির মুসা কৌবা মীওই অদুনা অন্সার গুজৱট উল হিন কৌবা টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসন অমগী মকোক ওইনা থবক তৌরি। মহাক্লা জম্মু অমসুং কাশ্মিরদগী নহারোলশিং রিক্রুইট তৌননবা হোৎনরি। মদু লমদম অদুদা মথৌ তৌরিবা পুলিস পার্সনেলশিংদা এটেক চথনবনি হায়না পাউগী লীখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

মুসাগী মতেং পাংবা অমসুং দেপ্যুটি ওইনা থৌ পুরিবা রেহন কৌবা টেররিষ্ট অমনা পুলিস পার্সনেলশিংদা ফিদায়েন এটেক চথনবা মী লৌশিনবগী থবক চথরি হায়রি।

রেহননা মখোয়না টার্গেট তৌগদবা মফম, পুলিস ওফিসর, সিক্যুরিটি ফোর্সকী ইন্সটোলেসনশিং অমসুং লৈঙাক্কী মরুওইবা লোয়শঙশিং মশক খঙদোক্লবা হোৎনরি। পাউ অসিনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা, জাকির মুসানা এটেক তৌনবা হোৎনরে হায়বা খঙহল্লকখিবগা লোয়ননা পাকিস্তান্দা বেজ তৌবা জয়স-ঈ-মহম্মদ (জে ঈ এম) না ওগষ্ট ১৫দা পাঙথোক্কদৌরিবা লৈবাক অসিগী নীং-খা তম্বগী নুমীৎতা চাউনা এটেক চথনবা থৌরাং তৌরি হায়নসু ৱার্নিং তৌরক্লি।

ফারবা টেররিষ্ট অমা ৱাহং পাউহং চথবদা জে ঈ এমনা নীংথিনা ট্রেন তৌরবা মীওই কয়া জম্মু অমসুং কাশ্মিরদা ফাজিনখ্রে। থৌশিল অমগী মখাদা টেররিষ্টশিং অদুনা জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী নহা ওইরিবা মীওইশিংবু লান্না লমজিংদুনা টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসন অদুদা য়াওহন্নবা হোৎনরি। মখোয়না তোঙান তোঙানবা পান্থে কয়া শীজিন্নদুনা নহা ওইরিবা মীওইশিংবু মখোয়গী লাংদা থুহন্নবা হোৎনরি। জে ঈ এম অমসুং জাকির মুসানা জম্মু অমসুং কাশ্মির লমদমদগী নৌনা মীওই কয়া লৌশিন্নবগীদমক মখোয়গী নীংথিনা ট্রেন তৌরবা মীওই কয়া থাজিনখ্রে হায়বা খঙবা ঙম্লে। লৈবাক অসিগী কোনুংদা টেররিষ্ট এটেক চথরকপা য়াই হায়বগী চিংনবা লৈবনা দিল্লি পুলিসনা মীকুপ নাহুম শিংনা য়েংশিনবগী থবক চথরি। লোয়ননা লৈবাক অদুগী মফম কয়াদা ওইরিবা মুভমেন্টশিংসু য়েংশিল্লি হায়রি। মরুওইনা পঞ্জাব অমসুং কাশ্মিরদা মথৌ তৌরিবা পার্সনেলশিং হেন্না চেকশিনগদবনি হায়খি।

/থাগৎচরি ওজা অব্দুল হকপু মহাকপু ঈশ্বরনা চানবীবা ওইরসনু

মতম শাংনা পাইলসনা নৈহৎতুনা অৱাবা খাংদুনা লাকখি। লায়নাগী লাইওংশিংদি: মরক মরক্তা খোঙ হাম্বদা ঈ য়াওবা, চেকখাইরগা থুপ্পা, চিকপা শাবা, শৌজগী অকোইবদা মকুপ-মকুপ লৈবা শোকপদা, শৌজগী মনুংদা পোম্বা, ইনখৎত্রি ফাওবা চঙদবা, য়াম্না নাবা শোকপা মতমদা, খোঙ হাম্বদা লিকপা, মপুং ফাবা ঙমদবা, খ্বাঙ নাবা, গ্যেষ্ট্রিক্লা চাবা তুমদবা, চানিংবা পোক্তবনি অদুবু ওজা **অব্দুল হক কন্টেক নম্বর ঃ ৮০১৪৬২৩৭৫৬** ৱাঙ্গোই ষ্টেট বেঙ্ক অৱাং (পাঙন লৈরক) তা লৈবগী মফমদা চৎতুনা তানজবদগী হিদাক চাদুনা শুপ্নগী নুমিৎ ১৫ নিদা অনাবা অৱাবা পুম্নমক কোক্লে। অনাবা লৈতবগুম অসুরে। ওজা অব্দুলবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

*থাগৎচরিবা :* KH. PREMKUMAR
Sekmaijing Wangmataba
HL-P/4074/20